চান-থক্লবা পোৎলম কয়া মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৭ (ঐচএনএস): লমদিংগী এক্টিভ মেম্বর ৰাংখেম বসন্ত সিংহ অপোকপা দল্লিয়ু মনিহারগী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা লমদিং এদ্যুকেটেদ ৰেলফ্যের এসোসিএসন (লেৰা) লমদিং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকা খূৎশম্নদুনা লমদিং লৈকায় ৫গী মনুং চন্না লৈবা কা-হেন্না ৰাবা ইমুং ১০দা চান-থক্লবা পোৎলম কয়া য়েন্থোকখি অমদি হৈরোক পার্ট-টু থোকচোম লৈকায়দা লৈবা সিনিয়র সিটিজন হোমদসু চান-থক্লবা পোৎলম কয়া মতেং পাংখি। অরোইবদা দাইমন্দ রেদিও, খোংজোমগী ষ্টাফশিংদসু অচা-অথক কয়াসু খুদোল তমখি। অসিগুম্বা মপোক কুমওন নুমিত্তা, তেংবাংবগী চৎনবী অসিনা ঐখোয় পূন্না হিংমিন্নবগী পাউজেল অমদি মীয়ামদা শন্দোকপা ঙম্লগনি হায়বা ৰাফমসু লেৰানা থল্লক্লি।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	89.172367
US Dollar	72.847636
British Pound	103.200694
Australian Dollar	56.543316
Chinese Yuan Renminbi	11.414503
Japanese Yen	0.665710
Malaysian Ringgit	17.650291
Singapore Dollar	55.118144
South Korean Won	0.065815
Saudi Arabian Riyal	19.426036
Thai Baht	2.336571

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	47320.00
Mumbai	–	Rs	47165.00
Delhi	–	Rs	47165.00
Kolkata	–	Rs	47960.00

GAS NEWS

LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING
BOOKING UPTO : 05-04-2021
VALID FROM : 22-03-2021
STOCK : 918
HOME DELIVERY ONLY.CONTACT NOS: 9862836403, 8415050488, 9862283423,
CALL TIME : 7 AM T0 10 AM

KHORIPHABA LPG SERVICE NAMBOL
Booking upto : 04-05-2021
(Sl.No : 41762)
For enquiry: 9612337528/ 9366471778/ 9402828164

HIYANGTHANG INDANE
Booking upto : 14-04-2021
Valid from :11-04-2021
Stk.-306
Timing : 7.a.m.to 11.a.m.
Only home delivery Service.
Contact no. Office no. 6381538861. 8414043907.
Whatsapp.no. 7085557686.

CANCHI INDANE SERVICE
BOOKING UPTO :15/04/2021
VALID FROM : 06/04/2021
19kg & 5kg UJJAWALA AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
DELIVERY WITHIN 4 DAY
KWAKEITHEL 6909634960 & 8794191632
NAOREM LEIKAI 7005210401 & 7005352782
CONTACT TIMING 08.00 to 10.00am

KHONGNANG GAS AGENCY, BISHNUPUR
Booking upto: 26/05/2021
Valid from: 15/05/2021
Please Contact mobile no. 7085412234
Time: 7:30 am to 10:30 am.

MM GAS SERVICE
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING : 8:00 AM TO 12:00 NOON
BOOKING UPTO : 10.05.2021
VALID FROM : 22.04.2021
FOR ALL IMPHAL-WEST & IMPHAL-EAST
8131942156, 7630902992, 7085198900
FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL
7628098544,,9089370369
FOR ALL LANGOL AREA
7085977502
DELIVERY WITHIN 3 TO 5 DAYS

MANIPUR GAS SERVICE
Booking upto : 03/05/2021
Valid from : 10/04/2021
Home Delivery Only....
Contact No: 8730954041, 8259969582
Offi ce Timing: 8 am to 12.00noon
Note:- DELIVERY TIME WILL TAKE 4 DAYS
1. Poumai Colony, Ahallup, Heingang, Kairang, Khabam, Achanbigei, Mongjam - 9863385995
2. Mantripukhri, Luwangsangbam, Koirengei and Lamsang A/C etc. 8787857518
3. Lairikyengbam Leikai, Khurai, Pangei Road, Ukhrul Road, Kongpal, Top7424085506
4. Laipham Khunou, Sangakpham, Nagaram, Dewlahland, Khoyathong, Nagamapal and Uripok Road, Namdunlong - 8414886475
5. Hatta, Tellipati, New Checkon, Ragailong, Wangkhei, Soibam Leikai, Kshetrigao A/C Kongba etc. 7005282449
6. Thangmeiband, Lamphel, Langol, Tarung - 7005439154
7. Chingmeirong, Thangal & Paona Bazar, Sagolband, Keishampat, Khagempalli, Kwakeithel, Yaiskul, Moirangkhom and Singjamei A/C. etc. 8131832195
8. For, Complain and Enquiry Number - 8259969582
Time : 8.00 am. to 12.00 noon. 8730954041
Delivery time will take 4 days

ভেটিরিনরি দিরেক্টর হাপ্পবা মেমোরেন্দম পীখ্রে যুনিয়নননা রুল ভাইওলেট তৌরে হায়দুনা ৰাকৎখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৭ (ঐচ এন এস): ওল ইন্দিয়া ষ্টেট গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়িজ ফেদরেসন্দা এফিলিয়েট তৌরিবা মণিপুর গভর্ণমেন্ট সর্ভিসেস ফেদরেসনগী মায়কৈদগী জেনরেল সেক্রেটরি পুরুজিৎ লাইরিকয়েংবমনা মণিপুর লৈঙাক্কী ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি লোয়শঙগী দিরেক্টরগী ফমবু মণিপুর ষ্টেট ভেটিরিনরি কাউন্সীলগী রেজিষ্ট্রিদা এনরোল তৌবা মতিক চাবা ভেটিরিনরি প্রক্টিসনরশিংগী মরক্তুগী অথুবা মতমদা এপোইন্টমেন্ট পীবীয়ু হায়দুনা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে।

ফেদরেসন অসিগী মেমোরেন্দম অসি থা অসিগী ৫দা লোয়শঙ অসিবু পুরিবা মিনিষ্টরদা এদ্রেস তৌদুনা পীশিনখিবনি। মসিগী কোপীশিংনা চীফ মিনিষ্টর, চীফ সেক্রেটরি, কম্মিস্নার (ভেটি এন্দ এ ঐচ), মণিপুর গভর্ণমেন্ট সর্ভিসেস ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট অমসুং ওল মণিপুর ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি ফিল্ড এসিষ্টেন্ট ইমপ্লোয়িজ য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্টতসু পীখি হায়রি।

মেমোরেন্দম অদুনা লোয়শঙ অসিগী মপুং ফাবা দিরেক্টর অমা লৈতবদগী মসিগী ইমপ্লোয়ীশিংনা মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবশিং অসিগী য়েংবীরগা মণিপুর ষ্টেট ভেটিরিনরি কাউন্সীলগী মার্চ, ২০২১দগী লৈরক্লিবা রুল/গাইদলাইনশিংগী মখাদা দিরেক্টর অমা হাপ্পীয়ু হায়জখিবনি হায়রি।

অমরোমদা, দিপার্টমেন্ট অসিগী হৌজিক দেপ্যুটি দিরেক্টরশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা এস ইন্দ্র কৌবা ওফিসর অমগী মায়কৈদগীসু ঙসি চীফ মিনিষ্টর, মরী লৈনবা মিনিষ্টর, চীফ সেক্রেটরি অমসুং লোয়শঙ অসিগী কম্মিস্নারদা অইবা চেরোল অমা পীশিল্লকখ্রে হায়রি।

পুন্না লামায় ৬ পানবা দেপ্যুটি দিরেক্টর অসিগী মায়কৈদগী ওফিসল ওইনা সবমিট তৌরকখিবা চেরোল অদুদা ওল মণিপুর ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি ফিল্ড এসিষ্টেন্ট ইমপ্লোয়িজ য়ুনিয়নগী মায়কৈদগী লোয়শঙ অসিগী সিনিয়র মোষ্ট ওইবা জোইন্ট দিরেক্টর অমবু রেগ্যুলর দিরেক্টর ওইনা হাপ্পনবা থোকখিবা চেরোল অদু সী সী এস (কন্দক্ট) রুলস, ১৯৬৪গী রুল ৯না পীবা প্রোভিজনশিং ভাইওলেট তৌবা থৌওংনি হায়বগা লোয়ননা মখোয়গী মথক্তা দিসিপ্লিনরি এক্সন লৌখৎকদবনি হায়বা ৰাফমশিং ফোঙদোরকখি হায়রি।

লোয়ননা হৌজিক ভিজিলেন্স পুলিস ষ্টেসনদা পেন্দিং লৈরিবা কেস নম্বর ৫/এস পি-ভি/২০৪ অমসুং ৪/পি ঈ/এস পি-ভি এন্দ এ সী/২০১৮ অমসুং সী জে এম, ইম্ফাল ইষ্টকী কোর্টতা পন্দুনা লৈরিবা ক্রিমিনেল মিসেলিনস কেস নম্বর ৪৪ ওফ ২০২১ অদুগী কমপ্লেনেন্ট/পিটিস্নরসু মহাক্লা ওইরিবনি হায়বা ৰাফমসু ফোঙদোরকখি হায়রি।

লৌমীগী ফিরেপ লৌবা থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৭ (ঐচএনএস): লৈবাক অসিগী লৌমীশিংনা ৰানা পুথোকপা মখল কয়াগী পোথোকশিং অতাবা মমল ফংদবদগী শেন্দোল শিংবা ঙমদ্রবা লৌমী কয়া মশা মতোমতা শিজবা মশিং হন্থনবা এগ্রিকলচরেল সাইন্টিষ্ট ডা. স্বামিনিস্থান কম্মিসন্না লৌখিবা ৰারেপশিং থবক ওইনা পাঙথোক্লবা হোৎনদ্রবা নরেন্দ্র মোদি লৈঙাক্কী মায়োক্তা মশিং য়াম্লবা লৌমী ওর্গনাইজেসনশিংনা চঙশিল্লকখিবা ইহৌ কয়াদা শিন্নী লুপ, মহৈরোয় অমসুং নুপী লুপ কয়ানা শৌগৎনরকপা চহী অমা মপূং ফারকপগা মরী লৈননা জুন ৫দা তুংগীদমক লৌমীগী ৰাফম লৌবা থৌরম ষ্টেট শীন-থুংবদা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা ঙরাং লৌমীশিংগী অচেৎপা ফিরেপ লৌবা থৌরম ষ্টেট কয়াদা পাঙথোকখিবগা ইরোয়ননা মণিপুরদসু মণিপুর লৌমী লুপনা শীন্দুনা কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাক্লা পাঙথোকখ্রে হায়না মণিপুর লৌমী লুপকী ষ্টেট সেক্রেটরি থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

নুপী ১ শিবদগী মীয়াম্না পুলিস...

লামায় ১গী মখা... অমুক্তা হেন্না খোয়শাউনরবা লৈখিদ্রবীগী মপামগী মীওই অমদি মীয়াম্না থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মপুরোইবা অসি অথুবা মতমদা ফাদুনা মরালগী মতিক চাবা চৈরাক পীগদবনি হায়দুনা ঙসি অয়ুক অন্দ্রো পুলিস ষ্টেসনদা থোমজিনখ্রে। মপুরোইবা অসি হৌজিক পুলিসকী সব-ইন্সপেক্টর ওইরিবনি। মহাক্কী নুপী অহল অমসুং মচাশিংসু লৈরি হায়রি।

থৌদোক অসিবু মণিপুর মুস্লিম ৰেলফ্যের ওর্গনাইজেসনগী মায়কৈদগী অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা চেন্নরিবা মপুরোইবা অসি ফাদুনা চৈরাক পীগদবনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

লুপা ক্রোর ৪৮৫ হেনবগী...

*লামায় ১গী মখা...*এন্দ পি আরগী কম্মিস্নারনা বেঙ্ক অসিগী একাউন্ট নম্বর- ৩১৭৩৮৫৪৭০৪৬তা দিপোজিৎ তৌখিবা শেনফম অসিগী ইন্টরেষ্টকা লোয়নবা একাউন্ট ষ্টেটমেন্ট পীননবা হায়খিবনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, মহাক্লা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবা পি আই এল নম্বর-২৮ ওফ ২০২১ অদুসু ঙসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস সঞ্জয়কুমার অমসুং জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিনগী বেঞ্চনা লৌখৎলগা খন্নখি। কোর্টনা মেট্টর অসি লৌখৎলদুনা পিটিস্নরগী মায়কৈদগী মে ২৪, ২০২১দা ফাইল তৌরকখিবা এদিসনল এফিদেবিট অমসুং রেস্পোন্দেন্ট নম্বর- ২, ৩ অমসুং ৪গী মায়কৈদগী ফাইল তৌরকখিবা এফিদেবিট- ইন-ওপোজিসনশিং অদুবু কোর্টকী রেকোর্দতা থম্লে হায়খি। রেস্পোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদগী লেপখিবা এদিসনল এদভোকেট জেনরেল এস রুপচন্দ্রগী মায়কৈদগী কোর্টনা কেস অসিদা নৌনা রেস্পোন্দেন্ট নম্বর- ৫ অমসুং ৬ ওইনা কোনশিল্লকখ্রবশিংদা ইস্যু তৌবা নোটিশশিং লৌখি। লোয়ননা মথৌ তারক্লবদি রেস্পোন্দেন্টশিং অসিগী মায়কৈদগীসু রিপ্লায় অমা ফাইল তৌনবগী মতম পীবীনবা হায়জখি।

কোর্টনা এদিসনল এ জিগী সবমিসনশিং তারবা মতুংদা কেস অসিগী মথংগী নুমীৎতা মথৌ তাবা থবকশিং পাঙথোক্লবা খঙহনখিবগা লোয়ননা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা মার্চ ১৮, ২০২১দা পীরকখিবা চেরোল অমগা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী কম্মিস্নার (আর দি এন্দ পি আর)না এপ্রিল ২৯, ২০২১দা পীরকখিবা চেরোলদুগী মরক্তা লৈরিবা মান্নদবশিং অদুগী মতাংদা কেস অসিগী মথংগী নুমীৎতা ফোঙদোক্লবা খঙহনখি।

পিটিস্নরগী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র কাউন্সেল নামৈরাকপম জেতেন্দ্রোগী মায়কৈদগীনা কেস অসিগী এফিদেমিট-ইন-ওপোজিসনগী মতাংদা লৌখিবা ফিরেপ অদুগী মতুংইন্না মণিপুর লৈঙাক্কী ফাইনান্স দিপার্টমেন্টসু কেস অসিগী রেস্পোন্দেন্ট অমা ওইনা কোনশিন্নবগী মতম পীবীনবা কোর্টতা হায়জখি। কোর্টনা পার্টি পুম্নমক্কী কাউন্সেলশিংগী ৰাফম তারবা মতুংদা মেট্টর অসি অমুক হন্না থা অসিগী ১৫দা লিষ্ট তৌনবা খঙহনখি।

কাদানা অৰাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুন ০৭ (ঐচএনএস): ককচিং দিষ্ট্রিক্ট খায়দোক্লিঙৈ অপূনবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইনা লৈরিঙৈ মতমদা কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা) থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী অচৌবা থৌদাং য়ারম্বা ককচিং তুরেল ৰাংমা নিংথৌ পরেংদগী মোইরাংথেম ওংবী সনানা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা মহাক্কী ইমুং মনুং অমদি মরুপ-মপাংশিংনা নংহৌরিবা অৰাবদা শরুক য়াবগা লোয়ননা কাদানা থম্মোয় শোক্লা অৰাবা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা, লৈখিদ্রবী মোইরাংথেম ওংবী সনানা হিংলিঙৈ মতমদা হৌরক্লিবা লমদম অসিগী নহারোলশিংবু ময়াই কাবা চীঙাক্তগী কঞ্জনবা চোকথবা লৈতনা তোঙান-তোঙানবা মৈরা পায়বী অমসুং ক্লবশিংগা পূন্না খুৎশম্নদুনা নিষাগী মায়োক্তা অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিল্লমখি। খুন্নাই অসিগী তুংগী লাইবক লেপকদৌরিবা নহারোলশিংনা নোংমা-নোংমগী ময়াই কাবা চীঙাক শীজিন্নবগী চাংহেনগৎলকপনা মরম ওইরগা খুন্নাই অসিগী নহারোল কয়াগী মরাইবক তম্না ঙমদবা ফিভম অমা মায়োক্লরকপা অসি অদুক্কী মতিক মীপাইনিংঙাই ওইবা অমনি হায়বসি ইমা সনাগী অচেৎপা থাজবনি। অদুনা মহাক্লা হিংলিঙৈ মতমদা হনবা লৈতনা নিষাগী মায়োক্তা লেপ্লমখি হায়রি।

ইমা সনানা লৈখিদবা অসি নিষাগী মায়োক্তা লান্থেংনরম্বা অচঙবা লান্মী অমা লৈখিদবনি হায়না লৌই অমসুং মহাক্লা লৈখিদবা অসি অমুক হন্না মেনখৎপা ঙম্লরোইদবা ঐখোয় পুম্নমক্কী ওইনা অচৌবা মাঙজবা অমা ওইনা লৈহৌরগনি হায়রি।

চীফ মিনিষ্টর য়াওনা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোকপীনবা...

লামায় ১গী মখা... ফহনবীবগা লোয়ননা ঙাকথোকপীনবা খুরুমখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা লাইনিং-লাইশোল থৌরম অদুগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবদা, মীয়াম্না ৰারবা মতমদা শেম্বীরকপা মপুগী থৌজালগীদমক মখোয়বু খুরুমজদুনা লাকই। মসিনা পূক্লিং ৰাখলদা ঈং-তপ্পা ফংহল্লি হায়রদুনা হৌজিক মণিপুর য়াওনা মালেম পুম্নমক পেন্দমিক অসিনা শাথিনা শোকহল্লে। মণিপুরগী ওইনা লৈখিদবা মশীং ৮০০ হেনখিবগা লোয়ননা এক্টিভ কেসকী মশীংসু লিশিং ৯ হেনখ্রে। মরম অসিনা পূক্লিং ৰাখলগী ওইবা থাজবা অমগা লোয়ননা পুন্না পেন্দমিক অসিবু মায়োক্লনবগীদমক তোঙান-তোঙানবা ফুরুপশিংগী মরক্তা অমত্তা ওইবগী ৰাখল্লোন্দা লাইনিং লীচিৎ পুম্নমক্লা ইরাৎ থৌনি পাঙথোকপগী তঙাইফদবা লৈরে খন্দুনা ঙসিগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি। নুমীৎ খূদিংগী পোজিটিভ কেসশিংগী মশীং হেনগৎলক্লিবসি টেষ্ট তৌবা হেনগৎলকপদগীনি। নোংমদা মীওই লিশিং ৮দগীনা লিশিং ৯ ফাওবগী সেম্পল লৌরগা টেষ্ট তৌরি হায়বগা লোয়ননা পোজিটিভকী চাংদি চাদা ৮ লোমদা হন্থরকপগা লোয়ননা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা শিহনবগী চাংসু হন্থরক্লি হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা হায়বদা, নুমীৎ খরনিগী মমাঙদা জেনিমস হোস্পিটালগী আই সী য়ু ৰার্দতা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা পল্লদুনা থৌদোক অদু পেসেন্ট পার্টি অমসুং হোস্পিটাল ষ্টাফশিংগী মরক্তা মিস অন্দর ষ্টেন্দিং অমদি মিস কম্যুনিকেসন লৈবদগীনি। অতৈ মতমশিংদসু থোকই হায়খি। অদুম ওইনমক মতুংদা অমুক হন্না অদুগুম্বা থৌদোক অদু থোকহন্দনবা য়েংশিল্লগনি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ফোরেষ্ট মিনিষ্টর অৰাংবৌ ন্যুমাই, এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এস রাজেন, ত্রাইবেল এফ্যের্স মিনিষ্টর ভুংজাগিন বালটে, সী এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর টি ঐচ সত্যব্রত, এম পি মহারাজ সনাজাওবা লৈশেম্বা, এম পি ডা. আর কে রঞ্জন অমসুং এম এল এশিংনা কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাক্লা শরুক য়াখি। থৌনি থৌরম অদু পাঙথোক্লিঙৈগী মাঙওইননা পেন্দমিক অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদ্রবা মীওইশিংবু নীংশিংবা ওইনা মিনিট অমা তুমীন্না লৈখি।

জুন ২১দগী ষ্টেটশিংদা কোভিদ-১৯...

লামায় ১গী মখা... চথবনা ভেক্সিনেসনগী থবক অসি হেন্না য়াংশিনহন্নবনি হায়রি। মসিগীদমক ষ্টেট পুম্নমক্তা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন লেম্না পীগদবনি। হায়রিবা নৌনা চৎনগদৌরিবা থবক অসি লাক্লিবা চয়োল অনীগী মনুংদা থবক্তা ওন্থোক্লগনি হায়নসু প্রাইম মিনিষ্টরনা লাউথোকখি। লোয়ননা সেন্টর অমসুং ষ্টেট অনীমক্লা চয়োল অনীসিগী মনুংদা অনৌবা গাইদলাইনশিং অসিগী মতুংইন্না থবক পায়খৎলগনি হায়রি।

গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন মেন্যুফেকচররশিংদগী চাদা ৭৫গী হিদাকশিং লৈরগা ষ্টেটশিংদা লেম্না পীগনি। মসি ষ্টেটশিং অদুনা হিদাক অসি লৈবদা শেল তীংদনবনি হায়খি। হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিগী মীওই ক্রোর কয়াদা ভেক্সিন অসি লেম্না ফংহনখ্রে। হৌজিক্লা মীওইশিং অদুগী মনুংদা চহী ১৮গী মথক্তা লৈবা মীওইশিংসু হাপচিল্লগনি। কনাগুম্বশিংনা লেম্না হিদাক ফংহনগদৌরিবা অসিদা পামদবা য়াওরক্লগসু মখোয়না অপাম্বা খনবা য়াগনি হায়বগা লোয়ননা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংগী ওইনদি ভেক্সিন অসি কাপ্পগী সর্ভিস চার্জ লুপা ১৫০ খক্তমক লৌগদবনি হায়নসু প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

পোজিটিভ কেসশিংগী মশীং ৫৯৮দা...

লামায় ১গী মখা... মণিপুরগী লৈরিবা লায়না অসিগী এক্টিভ কেস মশীংনা ৮,৯৮৪ শুরে। মসিগী মনুংদা সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশীংদি শুপ্পতগী ৫ খক্তনি। লেমহৌরিবশিংনা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওইশিংনি হায়রি। লোয়ননা ঙসি ফাওবগী ওইনা লায়না অসিদগী ফগৎলকখ্রবা মণিপুরগী অপূনবা মীশিং ৪৫,৯৪৮ শুরে। মসিগী মনুংদা সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশীংনা ৩,৭৫৭নি। অদুগা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওইশিংনা ৪২,১৯১নি হায়রি। লৈরিবা ফিগরশিং অসিগী মতুংইন্না ঙসি ফাওবগী ওইনা লায়না অসিদগী ফগৎলকখ্রবা মীওইশিংগী মশীংনা চাদা ৮২.৩০ দা হাইগৎলক্লে হায়রি।

অমরোমদা, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা হেল্থ ফেসিলিটিশিংদা দি-টাইপকী ওক্সিজেন সিলিন্দর ১৩১০ অমসুং বি-টাইপকী ওক্সিজেন সিলিন্দর ৪৬২গী খুদোংচাবা ফংহনখি হায়রি। মণিপুর লৈঙাক্কী ইনষ্টিট্যুসনশিং অমসুং দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিংদা খুদোংচাবা ফংহনখিবা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিংনা দি-টাইপকী ৩৮০ অমসুং বি-টাইপকী ৭১নি। হায়রিবা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিং অসিগী মনুংদা বিষ্ণুপুরদা দি-টাইপকী ৭৩, বি-টাইপকী ৪, চান্দেলদা দি-টাইপকী ৩২, বি-টাইপকী ৭, চুড়াচান্দপুরদা দি-টাইপকী ৭২, সেনাপতিদা দি-টাইপকী ৩২, থৌবালদা দি-টাইপকী ৩৯, বি-টাইপকী ১৮, উখ্রুলদা দি-টাইপকী ২১, তমেংলোংদা দি-টাইপকী ৩০, বি-টাইপকী ৫, জিরিবামদা দি-টাইপকী ৩৬, বি-টাইপকী ১০, মোরেদা দি-টাইপকী ১৮, বি-টাইপকী ৫, কামজোংদা দি-টাইপকী ৩, বি-টাইপকী ১, কাংপোকপীদা দি-টাইপকী ৩, ককচিংদা দি-টাইপকী ১৩ অমসং বি-টাইপকী ১৯, নোনেদা দি-টাইপকী ২ অমসুং ফেরজোল দিষ্ট্রিক্টতা দি-টাইপকী ৬ অমসুং বি-টাইপকী ওক্সিজেন সিলিন্দর ২গী খুদোংচাবা ফংহনখি হায়রি।

হায়রিবা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা হেল্থ ক্যের ইনষ্টিট্যুসনশিং অসিদা মখল অনীগী ওক্সিজেন সিলিন্দরগী খুদোংচাবা ফংহনখিবা অসিগা ঈরোয়ননা ঙসি ফাওবগী ওইনা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখিবা মণিপুরগী অপূনবা মীওই ৪,২৩,০৭২ শুরে হায়রি।

পেট্রোল অমসুং দিজলগী মমল...

*লামায় ১গী মখা...*অমদি লৌ লিংবা য়াবা ফাওবগী থাক য়ৌরকপদা চাওরাক্লা লৌওন ৩ দগীনা ৫ ফাওবদি য়ামদ্রবা ট্রেক্টরনা লৌ খোইবা চঙলি। লৌগী অখোইমল অসিসু লম-লম খুদিংগী খেন্নবসু লৈরি। লায়চৎ অসিনা মরম ওইদুনা নোংমগী শীজিন্নদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলম পুম্নমক তাঙখৎলকপনসু মীয়াম্না অমুক্তা হেন্না অৰাবা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহনবা হায়বদু ওইরে। শেল য়াম্না চঙনা লৌ উরগা লৌ অউমল ফাওবা ফংনরক্তবনা লৌমী অয়াম্বনা লৌ উনিংবদি ফাওদ্রে। অদুবু তঙাইফদনা চাদবা য়াদবা মরম্না উপাই লৈতনা লৌ উবা হায়বদু ওইরে। মরম অদুনা লৌমীশিংনা হৌজিক-হৌজিক থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অসি উবিরগা অখন্নবা লৌমীশিংগী ওইনা থাউজী মমল তানা ফংহনবিয়ু অমদি মরি লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা লৌমীশিংনা লৌ উবদা চঙবা তাঙাইফদবা পোৎলমশিং মতেং পাংবিরগদি ৰারবা লৌমীশিংদা অচৌবা মতেং অমা ওইগনি হায়নসু মায়কৈ কয়াগী লৌমীশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ষ্টেট বি জে পি লৈঙাক্লা এক্সত্রা-জুদিসল...

*লামায় ১গী মখা...*জজমেন্টশিং অদুগী মতুংদগী চহী কয়া এক্সত্রা-জুদিসল এগজিক্যুসনগী থৌদোকশিং থোক্লুদ্রবা মতুংদা অমুক হন্না অসিগুম্বা থৌদোকশিং থোকহল্লকপা হায়বসিনা অমুক হন্না নুংশিনহন্দবা থোকহনগনি। হৌজিক লৈরিবা ষ্টেটকী বি জে পি লৈঙাক অসি এক্সত্রা-জুদিসল এগজিক্যুসনগী মায়োক্তা মীয়াম্না চঙশিনখিবা ঈহৌশিংদা তোংদুনা পৰার পায়রকখিবনি হায়রদুনা অসিগুম্বা লৈঙাক অসিনা মহাক্কী লৈজরিবা মপাঙ্গলগী মনুংদা এক্সত্রা-জুদিসল এগজিক্যুসনগী কিনিংঙাই ওইরবা থৌদোকশিং থোকহন্দনবা হোৎনগদবনি হায়রি।

তুৰাই ৰাইচোং সব-দিভিজনগী চলৰা ভিলেজদা থোকখিবা থৌদোক অদু আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৰার্স এক্ট (অফস্পা), ১৯৫৮না পীবা অহেনবা পৰারগী মনুং চনবা থৌদোকনি। এক্সত্রা-জুদিসল এগজিক্যুসনগী থৌদোকশিংগী মতাংদা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই)গী স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস আই টি)না ইনভেষ্টিগেসনগী থবকশিং লৌখৎলকপদা আর্মদ ফোর্সেস অমসুং পুলিস পর্সনেল কয়া হকথেংননা চেন্নবগী খুদমশিং ফংলবসু পুলিস পর্সনেলশিং নত্তনা আর্মদ ফোর্সেসকী পর্সনেলশিংবুদি লৈবাক অসিগী মায়কৈদগী চেন্নৈ হায়বা ৰাফম হায়নিংদ্রি। থৌদোকশিং অসিদা আর্মদ ফোর্সেসকী পর্সনেলশিং চেন্নরবসু মখোয়না অফস্পাগী মরুমদা লোৎশিন্নবা হোৎনরি। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগীসু মখোয়গী মথক্তা প্রোজিক্যুসন সেঙ্কসন পীয়ু য়াদনা লৈরি। অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি থোরকপদগী চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট (সী জে এম), ইম্ফাল ৰেষ্টকী মায়কৈদগী ক্রিমিনেল মিসেলিনস (ফাইনেল রিপোর্ট) কেস নম্বর- ৬৩৩ ওফ ২০২০গা মরী লৈননা ফেব্রুৰারী ২২, ২০২১দা পীখিবা ওর্দর অমদা ফেকএনকাউন্টরদা চেন্নবশিংনি হায়দুনা চাজ শীট থাগৎলক্লবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী পর্সনেলশিংগী মথক্তা প্রোজিক্যুসন সেঙ্কসন পীরক্তবগী মতাংদা লোগী ওইবা করি ৰাফম লৈবগে হায়বদুগী মতাংদা চপ চাবা ৰাফম খঙহনবীরক্লবা মেট্টর অদু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা রিফর তৌখিবা লৈখ্রে হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়বদা, ঈভফম অমসুং ঐচ আর এগী মায়কৈদগীসু মীয়ামগী জষ্টিসকীদমক খনবীরগা ৰায়েল চথুরকপদা থেংনরিবা অহোবশিং অসি লৈহন্দনবগীদমক চপ চাবা ওর্দর অমা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী মায়কৈদগী পীবীরক্কনি হায়বগী থাজবসু থল্লি হায়রি। করিগুম্বা হৌজিক লৈরিবা লিগেল সিষ্টম অসিনা মীহাৎপশিংবু নাম্থোক্তুনা চেলহনখিনবগী খুদোংচাবা পীরগদি মাঙবোইলালগী থৌদোক অসিগুম্বা থৌদোকশিং ইমুং লিশিং ১ হেনবনা মায়োক্লদুনা লাক্লবসু মখা তানা থেংনখিগনি হায়রি।

লোয়ননা মাঙবোইলাল লৌভুমবু হাৎখিবা থৌদোক অসি এক্সত্রা-জুদিসল কিল্লিংগী তশেং-তশেংবা থৌদোকনি হায়বগা লোয়ননা মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্লা থৌদোক অসিগী মতাংদা মীচঙ-মীখায় নাইদবা ইনভেষ্টিগেসন অথুবা মতমদা চথবগা লোয়ননা সিবিলিয়ন কোর্ট অমদা সুপ্রীম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা পীরকখিবা ৰায়েলশিংগী মতুংইন্না অচুম্বা ত্রাইয়েল চথগদবনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

রিমসকী অৰাৎপশিং মিনিষ্ট্রিদা...

লামায় ১গী মখা... লৌখৎলক্লিবা তোঙান-তোঙানবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা শন্দোক্লা তাকখি। অদুগা মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রোফেসর ঐচ প্রিয়োশখিগী মায়কৈদগীনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ পেসেন্টশিংগী ট্রিটমেন্ট চথবদা রিমসনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা পাউদমখি। সেন্ট্রেল কাউন্সীল ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৰেলফ্যেরগী মেম্বরসু ওইরিবা এম পিনা দিরেক্টর অমসুং মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্টকী মায়কৈদগী ফোঙদোক্লরকখিবা ৰাফমশিং তারবা মতুংদা রিমসকী হৌজিক লৈরিবা অৰাৎ-অপাশিংগী মতাংদা মরী লৈনরিবা হেল্থ অমসুং ফেমিলি ৰেলফ্যেরগী মিনিষ্ট্রিদা হায়রগনি হায়বগী থাজবা পীখি।

লোয়ননা এম পিগী মায়কৈদগী রিমসকী তোঙানবা ইনফেক্সস দিজিজ ট্রিটমেন্ট সেন্টর অমা লৈজনবা অমসুং আই-বেঙ্ক অমসু লৈহন্নবগীদমক প্রপোজেল অমা মিনিষ্ট্রিদা সবমিট তৌনবা খঙহনখি। অদুগা ইনষ্টিট্যুট অসি চাউথোরক্লবা মতুংদা তুংগীদমক য়েংলগা বোর্দ অমা শেম্নবসু খঙহনখি।

ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অদু লোইরবা মতুংদা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিগীদমক্তা রিমসকী ডোক্তর, নর্স, পেরা মেদিকেল ষ্টাফ অমসুং অতোপ্পা ফ্রন্টলাইন হেল্থ ৰার্করশিংনা চোকথবা নাইদনা অয়ুক-নুংথিল অমসুং নুমীদাং খাক্তনা মথৌ পাঙথোকপবুসু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, এসোসিএসন ওফ রিমস এল্যুমনাই (অরিমসা)গী মায়কৈদগী এসোসিএসন অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা অচম্বা থৌরম অমদা রিমসকী দিরেক্টর প্রোফেসর এ শান্তদা দি-টাইপ (জুম্বো) মেদিকেল ওক্সিজেন সিলিন্দর ৫ খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

ওক্সিজেন সিলিন্দরশিং অদু এসোসিএসন অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট প্রোফেসর টি ঐচ বিজয় অমসুং ওনররি সেক্রেটরি প্রোফেসর আর কে লেনিন অনীনা লুচিংবা এসোসিএসন অসিগী মেম্বরশিংনা খুৎশিন্নখিবনি। অদুগা ঙসি রিমসতা দোনেট তৌরিবা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিং অদু লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা থবক তৌরিবা এসোসিএসন অসিগী মেম্বরশিংনা দোনেট তৌনরকখিবনি হায়রি।

হৌজিক মায়োক্লরিবা লুরবা তানফম অসিদা এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী ওক্সিজেন সিলিন্দরশিং অসিবু দোনেট তৌরকপদা ইনষ্টিট্যুট অসিগী মায়কৈদগী দিরেক্টরনা থাগৎপা ফোঙদোকখি। সিলিন্দরশিং অসিনা পুন্সি কয়া কনবদা মতেং ওইরগনি। মখা তানসু কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মায়োক্লরকপদা এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী মতেং পাংখিগনি হায়বগী থাজবসু দিরেক্টরদা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগা ঈরোয়ননা রিমসকী দেপ্যুটি মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রোফেসর টি ঐচ সচিনদেবগী মায়কৈদগীসু দিরেক্টরদা এন আর বি এম ওক্সিজেন মাস্কশিং খুদোল তৌখি। লোয়ননা রিমসকী দিরেক্টর প্রোফেসর এ শান্তগী মায়কৈদনা এসোসিএসন ওফ রিমস এল্যুমনাইদা লুপা লিশিং ৫০গী শেনফম দোনেট তৌখি হায়রি।

হায় কোর্টনা এপ্লিকান্ট অমগী পিটিসন দিসমিস তৌবদগী ৰাথোক...

লামায় ১গী মখা... অদুদসু রেজিষ্ট্রার ওইনা থবক পুরকখিবা পিটিস্নর অসিনা অমুক হন্না এপ্লায় তৌখি। মসিদগী মহাকপু নবেম্বর ১২, ২০১৮দা মশাদা অইবা চেরোল অমা পীদুনা পোষ্ট অসিগীদমক নবেম্বর ২৯, ২০১৮দা পাঙথোক্কদবা সেলেক্সন কম্মিটিদা শরুক য়াননবা খঙহল্লকখি হায়রি।

এন আই টিগী মায়কৈদগী পীরকখিবা ইন্সত্রক্সন অসিগী মতুংইন্না পাঙথোকখিবা সেলেক্সন কম্মিটি অদুদা শরুক য়ারবা মতুংদা মদুগী রিজল্ট হায়দোরকপা ঙাইদুনা লৈখি। অদুবু পাঙথোকখ্রিবা সেলেক্সন কম্মিটি অদুগী রিজল্ট হায়দোক্লিঙৈদা জন্যুৰারী ১১, ২০১৯দা এন আই টি মণিপুরগী রেজিষ্ট্রারগী পোষ্ট মেনশিন্নবগীদমক অতোপ্পা রিক্রুটমেন্ট নোটিশ অমা অমুক হন্না থোক্লকখিবনি হায়রি। অকোনবগী রিক্রুটমেন্ট নোটিশ অদুদা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না রিক্রুটমেন্ট অদু চহী ৫গী দেপ্যুটেসন নৎত্রগা পোষ্ট অদুবু পুগদৌরিবা মীওই অদুগী চহী ৬২ শুরকপা ফাওবদা পুগদবনি হায়রকখি। মসি নৎত্রগনা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মতম-মতমগী মতুংইন্না থোরকপা ওর্দরশিংগী মতুং ইনগনি হায়দুনসু খঙহল্লকখিবনি হায়রি।

অনীশুবা নোটিফিকেসন অদুগী মতুংইন্নসু পিটিস্নর ওইরিবা মীওই অসিমক তঙাইফদনা চঙলিবা ক্বালিফিকেসন অমসুং এক্সপরিয়েন্সশিং অদু লৈবদগী অকোনবগী নোটিফিকেসন অদুদসু মহাক্লা পোষ্ট অসিগীদমক এপ্লায় তৌরকখি হায়রি। চৈরক্তুদা মতম অদুগী ঐচ আর দি মিনিষ্ট্রিগী দিপার্টমেন্ট ওফ হায়র এদ্যুকেসনগী অন্দর সেক্রেটরিনা ফেব্রুৰারী ২০, ২০১৯দা লৈবাক অসিগী এন আই টি পুম্নমক্কী দিরেক্টরশিংদা ইরকখিবা চেরোল অমদা এন আই টিশিংগী নন-টিচিং ষ্টাফশিংগী লৈরিবা এনোমেলিশিং লৌথোকপগা লোয়ননা নন-টিচিং ষ্টাফশিংগী রিভাইস রিক্রুটমেন্ট রুলশিং চৎনহন্নবা খঙহল্লকখি হায়রি।

ফেব্রুৰারী ২০, ২০১৯দা ঐচ আর দি মিনিষ্ট্রিদগী পীরকখিবা চেরোল অদুগী মতুংদা এপ্রিল ৪, ২০১৯দসু অমুক হন্না মিনিষ্ট্রি অসিনা এন আই টিগী দিরেক্টরশিংদা মখোয়গী নন-টিচিং ষ্টাফশিংগী রিক্রুটমেন্ট রুলশিং অদু ওভরসাইট কম্মিটিগী রেকমেন্দেসনদা য়ুম্ফম ওইদুনা থবক্তা ওন্থোক্লবা খঙহল্লকখি হায়রি। লোয়ননা অনৌবা নন-টিচিং ষ্টাফশিংগী রিক্রুটমেন্ট রুলস (২০১৯) অদুসু চৎনহন্নবা খঙহল্লকখি হায়রি।

অদুম ওইনমক অনৌবা ঐচ আর দিনা পীরকখিবা রিক্রুটমেন্ট রুলশিং অদুগী মনুংদদি এন আই টিশিংগী রেজিষ্ট্রারগী পোষ্ট অসিগীদমক পীরকখিবা চহী অসি ৫৬ ওইহল্লকখিবগা লোয়ননা পোষ্ট অসি চহী ৫গী ওইনা নৎত্রগা মীওই অদুনা মশাগী চহী ৬২ শুবা ফাওবগী ওইনা সোর্ট টর্ম কন্ট্রেক্ট য়াওনা দেপ্যুটেসন্দগী মেনশিনগদবনি হায়দুনা খঙহল্লকখিবনি হায়রি। মরম অসিদগী এন আই টি মণিপুরগী দিরেক্টরগী মায়কৈদগী ইনষ্টিট্যুট অসিগী রেজিষ্ট্রার লৌনবগী এদভর্টিজমেন্ট অমা অমুক্কসু হন্না জুন ২৪, ২০১৯দা থোক্লকখিবনি হায়রি।

এন আই টি মণিপুরগী অমুক্কসু হন্না থোরকখিবা রি-এদভর্টিজমেন্ট (জুন ২৪, ২০১৯) অসিগী থৌওংনা পেন্দ্রবা পিটিস্নর অসিনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর- ৫৫২ ওফ ২০১৯ ফাইল তৌরক্তুনা ইনষ্টিট্যুট অসিগী রেজিষ্ট্রার লৌনবগীদমক চথুরক্লিবা থৌওংশিং অদুবু চেলেঞ্জ তৌরকখিবগা লোয়ননা মমাঙথক্তা জন্যুৰারী ১১, ২০১৯দা থোকখিবা এদভর্টিজমেন্ট অদুগী মতুংইন্না চথুহন্নবা হায়জরকখিবনি। লোয়ননা পোষ্ট অসিগীদমক পাঙথোকপা দি পি সীশিংগী রিজল্ট কোর্টকী অয়াবা য়াওদনা হায়দোকহন্দনবা প্রেয়র তৌরকখিবনি।

পিটিস্নর অসিগী অহানবা পিটিসন অদুগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর জুলাই ২২, ২০১৯দা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা লাউথোক্তুনা এন আই টিগী দিরেক্টর অমসুং রেজিষ্ট্রারদা পিটিস্নর অসিবু রিক্রুটমেন্ট অদুদা শরুক য়াহন্নবা খঙহনখিবগা লোয়ননা জুন ২৪, ২০১৯দা থোকখিবা রি-এদভর্টিজমেন্ট অদুগী রিজল্টদি কোর্টকী অয়াবা য়াওদনা লাউথোক্তনবা খঙহনখিবনি।

অদুবু পিটিস্নরগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলনা পিটিস্নরনা অহানবা ফাইল তৌরকখিবা দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর- ৫৫২ ওফ ২০১৯ অদুগী ৰায়েল চথুরিঙৈদা ওগষ্ট ২৬, ২০১৯দা থোকখিবা নোটিশ অমনা রেজিষ্ট্রারগী পোষ্ট লৌনবগীদমক জন্যুৰারী ১১, ২০১৯ অমসুং জুন ২৪, ২০১৯দা থোকখিবা রি-এদভর্টিজমেন্টশিং অদু কেন্সেল তৌথোকখ্রে হায়বদগী মহাক্কী অহানবা পিটিসন অসি কোর্টনা ওগষ্ট ২৮, ২০১৯দা পীখিবা ওর্দর অমনা ইনফ্রক্সস ওইরে হায়দুনা দিস্পোজ তৌখিবনি। মসিগী মতুংদা এন আই টি মণিপুরগী মায়কৈদগী অমুক্কসু সেপ্টেম্বর ৯, ২০১৯দা নোটিশ অমা থোক্তুনা রেজিষ্ট্রার লৌননবা হোৎনরকখিবনি।

মসিদসু কেস অসিগী পিটিস্নর ওইরিবা মীওই অসিনা ওগষ্ট ১৬, ২০১৯দা এপ্লায় তৌখিবনি। অদুবু মহাক পোষ্ট অসিগীদমক এপ্লায় তৌবদা ইলিজিবল ওইদ্রে হায়রকপদগী মহাক্লা অনীশুবা মহাক্কী পিটিসন দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর- ৯৬৫ ওফ ২০১৯ অসি ফাইল তৌরকখিবনি।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস লানুসুংকুম জামিরনা পিটিস্নর অসিগী অনীশুবা পিটিসন অসিসু লৌখৎতুনা মসিগী হিয়রিং মার্চ ২ অমসুং ৫, ২০২০দা পাঙথোকখি। কোর্টনা মেট্টর অসি লৌখৎলকপদা পিটিস্নরগী মায়কৈদা কাউন্সেল কে ঐচ তরুনকুমরনা লেপখি। অদুগা রেস্পোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদনা সিনিয়র কাউন্সেল বি পি সাহু অমসুং দারাকিশোর (এস পি সী)না লেপখি। কোর্টনা নাকল অনীগী সবমিসনশিং তারবা মতুংদা কেস অসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর মার্চ ৫, ২০২০দা রিজার্ভ তৌদুনা থমখি।

অদুবু থেংলবসু থেংনা থা ১৫ রোমগী মতুংদা ঙসি কেস অসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর কোর্টনা লাউথোকখিবগা লোয়ননা কেস অসিগী পিটিস্নর ওইরিবা আর কে ললিততি এন আই টিগী রেজিষ্ট্রারগী পোষ্ট অসিদা এপ্লায় তৌবা য়াররোই হায়বগা লোয়ননা ঐচ আর দি মিনিষ্ট্রিগী দিপার্টমেন্ট ওফ হায়র এদ্যুকেসন্না পোষ্ট অসিবু পুবা য়াবা মীওইশিংগী এজ লিমিট চহী ৫৬তা লেপখিবা অদুগী মতাংদদি সেপ্টেম্বর ৯, ২০১৯দা থোকখিবা এদভর্টিজমেন্ট অদুদা রেস্পোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদগী অশোয়বা লৈখিদে হায়রদুনা পিটিস্নরগী পিটিসন অসি দিসমিস তৌরে হায়খি।

কোর্টনা ৰায়েল চথুরবা মতুংদা লাউথোরক্লিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অসিনা রিজার্ভ তৌখ্রবা মতুংদগী মতম শাংনা লৌখিবদগী পিটিস্নর অসিনা পোষ্ট অসিবু অমুক হন্না এপ্লায় তৌবা য়াবগী মতম হেন্দোকখ্রবসু ওগষ্ট ৩, ২০১৮দগী লৈরকখিবা মণিপুরগী এন আই টিগী রেজিষ্ট্রারগী অহাংবা পোষ্ট মেনশিন্নবগী ৰাথোক অদুদি লোইশিনখ্রে। মসিগা ঈরোয়ননা এন আই টি, মণিপুরগী মায়কৈদগী পোষ্ট অসিগীদমক লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎপা হৌখ্রে হায়রি।

ꯁꯟꯕꯤ ꯑꯃ ꯆꯉꯂꯛꯂꯦ / ষণবী অমা চঙলক্লে

লাংজিং অচৌবদা লৈবা কে ঐচ বিলাশিনীগী ইষ্কোলগা তায়নবদা লৈরিবা মফম অসিদা ঙসি মঙা-তরুক্নিগী মমাংদগী ষণবী অমা চঙলক্তুনা লৈরে। হায়রিবা ষণবী অসিবু অথুবদা মপূনা লৌশিনবীরনবা পাউচেগী থোঙদা নীংশিংজরি।

HL-P/8809/8